ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১৪, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ২৮৪শুবা মশীং

# শেন্দোং তাল্লম্বা বি এস এন এল শিথরকপা

## লৈবাক অসিগী টেলিকোম সেক্টরদা চাউনা অহোংবা লাক্লে

মপানগী ষ্টেট খরদা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরিবা দশেরা কুন্দ্ধে লোইখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী টেলিকোম ইন্দষ্ট্রিদা য়াম্না চাউনা অহোংবা অমা লাক্লে। খ্বাইদগী চাউনা হোংলক্লিবসি রিলাইয়ন্স জিওগী সিম শীজিন্নবা মীওইশিংনা ভোদাফোন, এয়রটেল অমসুং অতৈ টেলিকোম সর্ভিস প্রোভাইদরশিংগী সিম শীজিন্নবা মীওইদা কোল তৌবদা শেল তিংবা অমসুং বি এস এন এল শিথরকপনি। ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাউবা টেলিকোম সর্ভিস প্রোভাইদরনি হায়না লৌনরম্বা বি এস এন এল মুৎপগী ফীভমদা লাক্লে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অসি হৌখিবা চহী ১০ হেন্না শেল মাঙদুনা লাকখি। মতম অমদা খ্বাইদগী চাউনা শেন্দোং তাল্লম্বা টেলিকোম প্রোভাইদর অসিগী মার্কেট শ্যেরসু অদুম্মক ৱাংলম্মী। কুমজা ২০০৫দা বি এস এন এলগী মার্কেট শ্যের চাদা ৮.৬৫ ওইরম্মী। ওল্লকপা চহীদনা চাদা ৯.০৫ য়ৌরকখি। কুমজা ২০১৭ তদি চাদা ৯.৩৫ য়ৌরকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮ দা বি এস এন এলগী মার্কেট শ্যের চাদা ১০.২২ য়ৌরকখিবনি। টেলিকোম ওপরেটরশিংগী মরক্তা বি এস এন এলনা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবগা লোয়ননা মার্কেট শ্যের চাদা ৪৯.৬৭ য়ৌরকখি। মতৌ অসুম্না সাউথ পোলদা লৈবা থৱান্মীচাক মশীং থীবগী মতৌগুম বি এস এন এলগী ফীভম পনখৈ লৈতবা মওংদা ফগৎলকখি। কুমজা ২০০০গী সেপ্টেম্বরদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অমা ওইনা লিংখৎখিবা বি এস এন এলগী সবস্ক্রাইবর মশীং মমাঙ চহীগী জুলাই ফাওবদা মিলিয়ন ১১৫.৯৫ য়ৌরকখি। অদুবু মতীক ময়াই হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না রেস্পোন্সিবিলিটিসু হেনগৎলকই হায়নবগুম টেলিকোম সর্ভিস প্রোভাইদর অসিগী থৌদাংসু নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকখি। লোয়ননা খুঙ্গংগী কাচিন-কোয়া য়ৌনা নেটৱর্ক শন্দোক্লুবদগী শেল মাঙবা হৌরকখি। শেনবা চহী ২০০৯-১০ ফাওবা শেন্দোং চাউনা তাল্লম্লগা ওল্লকপা চহীদগী শেল মাঙবা হৌরকখিবনি। শাংলবা চহী ১০ রোম শেল মাঙদুনা লাকখিবা মরম্না বি এস এন এলগী ইমপ্লোয়ী ১,৭৫,০০০ তোলোপ পীবা ঙমদবগী ফীভম লাকখি। খ্বাইদগী শেন্দোং চাউনা তাল্লম্বা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অসিনা শেল কা-হেন্না মাঙলক্তুনা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ ফাওবা মতম চানা পীবা ঙম্লক্তবগী তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল মতুং ইন্না অনৌ-অনৌবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমহৌদবননি হায়রি। কুমজা ২০১৯দা অতৈ-অতোপ্পা সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা "ফোর-জি স্পেক্ট্রম"গী খূদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা "ফাইভ জি"গী মঙলান শাগৎনখ্রবসু বি এস এন এলনা শুপ্নগী "থ্রী জি স্পেক্ট্রম"গী খূদোংচাবা ফংহন্দুনা লৈখি।

শেনবা চহী ২০১৭-১৮দা ইন্দিয়াগী পব্লিক সেক্টর ইন্টরপ্রাইজ ৭০ রোরম কা-হেন্না ফীভম শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৩১.২৪১ হেন্না শেল মাঙখি। খ্বাইদগী চাউনা শেল মাঙখিবা কম্পনি অহুমদি বি এস এন এল, এয়র ইন্দিয়া অমসুং এম টি এন এলনি। হায়রিবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অহুম্না তানখিবা শেনফমগা চাংদম্নবদা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীবদা চৎখিবা শেনফম্না কা-হেনবা মওংদা হেনগৎলকপদগী চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১৫,০০০ হেন্না মাঙখি। ইমপ্লোয়ীশিং মতম চানা তোলোপ ফংবা ঙমদবগী ফীভম লাক্লবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস (পি এম ও)না অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপদগী টেলিকোম দিপার্টমেন্টনা হৌজিক শিথরক্লবা বি এস এন এল হিংগৎহন্নবগী মতাংদা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে। অহানবা খোঙথাং ওইনা মশাগী চহী ৫০দগী পংহেন-হেন্দবা মীওই খক্তা থবক তৌহল্লগা অহল ওইরবা ইমপ্লোয়ীশিং থবক্তগী পোত্থাহন্নবা ভোলন্টরি রিটায়রমেন্ট স্কিম (ভি আর এস) অমা পায়খৎকদৌরি। মথংদা লুপা ক্রোর ১৪,০০০ চঙনা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা ফোর-জি রেদিও ৱেভ স্পেক্ট্রমগী খূদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। গভর্ণমেন্টনা শেনবা চহী ২০১৯-২০গী ওইনা টেলিকোম পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং তরুক্তা লুপা ক্রোর ১৪,০২৫.৯০ কাইথখি। শেনবা চহী ২০১৭-১৮দদি লুপা ক্রোর ১২,১৮৮.৯ টেলিকোম পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংশিংদা কাইথখিবনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কম্যুনিকেসন্স রবি শঙ্কর প্রসাদনসু বি এস এন এল হিংগৎহনবনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমনি হায়না লাউথোকখ্রে। চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী তাঙলবা লন ওইরিবা বি এস এন এলগী ইমপ্লোয়ী ৭৮,০০০দা মতীক চাবা ভোলন্টরি রিটায়রমেন্ট স্কিমগী খূদোংচাবা ফংহনখ্রে। দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকোমনা অচঙবা শেল পুথোক্লগা চেন্নাই অমদি পোর্ট ব্লেয়রগী মরক্তা কিলোমিটর ২,৩০০ শাংনা সমুদ্রা মনুংদা কেবল তিংবগী থৌরাং লৌখৎলি। লাক্লিবা জুন থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবগী পান্দম থল্লিবা কেবল তিংবগী থৌরাং অসিনা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী মফম পূম্নমক্তা হাই-স্পীদ ইন্টর্নেট কনেক্টিভিটিগী খূদোংচাবা ফংহনগদৌরি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু মতম চানা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ ফাওবা পীবা ঙমদ্রবা বি এস এন এল হিংগৎহনবা ঙমগদৌরিবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। অমরোমদা খরা থেঙনা ফংজরবসু তোলোপ চাউবা রেগ্যুলর ইমপ্লোয়ীশিংগী ফীভম খরা ফরি হায়বা য়াই। চাংচৎতা থাগী লুপা ১১,০০০ দগী লুপা ১৬,০০০ ফাওবা তোলোপ ফংবা কন্ট্রেকচ্যুয়ল ইমপ্লোয়ীশিংগী ফীভমদি অসুক্কী মতীক অৱাবগী মশক ওইরি। হীরম অসিগী মতাংদা অখণ্ড-অহৈশিংনা হায়, ইনকম মতীক চানা লাক্লোইদবা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা বি এস এন এলনা শেল কা-হেন্না চাদিং তৌদুনা ইন্টর্নেট অমসুং মোবাইল ফোনগী খূদোংচাবা ফংহল্লুবা মরম্না অচৌবা ফাইনান্সিয়ল ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরকপনি। কনাগুম্বা খরনদি লৈঙাক্লা রিলাইয়ন্স জিও, ভারতি এয়রটেল অমসুং ভোদাফোননচিংবা প্রাইভেট কম্পনিশিংদা কা-হেন্না খূদোংচাবা পীথোক্লুবনা বি এস এন এলগী ফীভম শোকচিল্লকপনি হায়না মোৎ পীরি। মরু ওইনা থ্রী-জি স্পেক্ট্রম অমসুং ফোর-জি স্পেক্ট্রমগী মতাংদা লৈঙাক্লা প্রাইভেট কম্পনিশিংদা হান্না খূদোংচাবা পীনবা হোৎনৈ হায়রি। প্রাইভেট কম্পনিশিংনা মীয়ামদা ফোর-জি স্পেক্ট্রমগী খূদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা ফাইভ-জি স্পেক্ট্রমদা মীৎয়েং থম্বা হৌরল্লবসু বি এস এন এলনা হৌজিক শুপ্নগী থ্রী-জি অমসুং টু-জি স্পেক্ট্রমগী খূদোংচাবা ফংহল্লি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু পি এম ওগী মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট ওফ টেলি কম্যুনিকেসননা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলগনি হায়রবনিনা শিথরক্লবা বি এস এন এলগী ফীভম ফগৎলকপ্রা হায়বদু য়েংবা তাবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।

(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা সেট্যারিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "অনৌবা যুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সাদু চিরু ঈশিং চাইবীদগী পুরকপা মপাউ

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৮৯**

**জিতেন নামৈরাকপম**

কুমজা ২০২০বু তরাম্না ওকচবা ন্যু য়রদি লোইখিবা নুমিৎ ১৩নিদি শুখ্রে। নুংঙাই, ওন্থোক্লা নুংঙাইনখি। ঈশৈ শকপা, জগোয় শাবা অমদি মখল মখলগী এক্টিভিটিজ উৎনখিবা তাঞ্জানি। য়াইফ থৌজাল, বর নৎত্রগা ৱিশ হায়গদ্রা পংপীদা পীনখি। নুংঙাই য়াইফবা ওইয়ু, ৱাৎত-পাদবা, অনা-অয়েক য়াওদবা, পুন্সি নুংশাংনা লৈবা ওইয়বিয়ু। অসুম হায়না পীনবা য়াইফ থৌজালসি চহী খুদিংগীনি। য়াইফ থৌজাল লেপ্তুনা পীনবা খুদিংগী য়াইফ থৌজালখিদবা কয়া কয়ানি। দাও য়াদবা হায়গদ্রা, অৱা-অনা মথং-মথং হাপচিল্লকপা, শেল-থুমগী অৱাবা, খুদোংথীবা থৌদোক লেপ্তুনা থোকচিল্লকপা কয়া কয়ানি। হোয়, হায়নবসু য়াওই হন্দক্কী চহীনা খ্বাইদগী দাউ য়াবা চহী ওইখি, খ্বাইদগী দাউ য়াদবা চহীসিদি হৌখিবা চহীনা ওইখ্রে ঙাওনৈ, পংঙাওদা ঙাওনৈ। অমুকসু থাপালোন, কেলেন্দরদা আয়-জায় রাশি ফলদা কয়া লাকপা, কয়া চৎখিবা, কয়া লেমহৌবা পানবসু কোঙ্গাইনি। মদুদা থাজবা নৎত্রগা শুংথা থাজদবা মী মখল মখলনি। ইশাগী ওইনদি মদুদা থাজবা লৈতে। হৌখিবা চহী অমদা আয় লাকপদগী জায়না হেন্দোকখিদনা জিরো লেমহৌবা কান্থোকখ্রগা মাইনস ৱান চৎখিবা কেলেন্দরদুদা শুকথা থাজদবা ঐহাকসু থৱায়দি ৱাখি। খনখি, চহীসিদা করি থোক্লগবা। অদুগদি আয়-জায় পারুবদা মাইনস ৱান চৎখিবা চহীদু খ্বাইদগী দাউ য়াবা চহী ওইখি। শুকথা থাজরুদবা মাঙখ্রে মাঙজখ্রসনু খল্লুবা শেঞ্জাউ অমা খংফং ফংলকখি। য়াম্না কা হেন্না ফাইনান্সিয়ল নৎত্রগা হীরম খুদিংমক্তা খংনোয় নোয়খৎপা ওইখিদ্রগসু ময়েং তাবদি ওইখিদে। হান্নদগী হেনগৎলকপা চহী ওইখি। অসিগুম্বসি মীওই অয়াম্বদা অদুমক থোক্লমগনি।

চহী হৌরকপা হায়বসিবু লাইনা শেল্লব্রা? মীনা শেম্বা ঙাক্তা ওইরমগনি। সেকেন্দসু, মিনটসু, পুংসু, নোংমগী মতমসু, হপ্তাসু, থাখায়সু, থা অমসু, চহী অমসু, দিকেদসু, সেঞ্চুরিসু... খোগোপ্পা মীনা শেম্বা ঙাক্তনি। মালেম অসিদা হঙা হায়না কপ্লগা হেক খোঙদারকপদগী অঙাং, অঙাংদগী ইনখৎলকপা মতম, মপূং ফারকপা, ষ্টেজ মথং-মথং লানশিল্লক্তুনা মীয়াই চল্লকপা, অহলগী মতম ওইশিল্লকপা অদুদগী পুন্সি চেংজেল লোইরক্তুনা শিখিবা অশ্বাই ফাওবগী তেনখ্রবা মতম খরতনি। ব্রহ্মামক্না পোকঙমদবা মীওই মপোক্কী তেনখ্রবা মতম খরসিদা মীয়াম্না পাম্নরিবসি ৱাৎত-পাদবনা, অনা-অয়েক য়াওদনা, শান্তি লৈনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংবদুনি। খ্বাইদগী হেন্না লুরিবনা শিবগী টিকেট পায়দুনা মালেমসিদা পোল্লক্লবা মীওইবনা শিংথাবা য়াবা তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌনবা করি থবক তৌরম্লগে হায়বসিনি। খরা চা, খরা থক মানা হিংলিঙৈ মতমদা মীয়ামগী, খুন্নাইগী কান্নবা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌরমদনা শিখিবনা কোঙ্গাইনি। হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসিদা ননাই ইজরিবা ইশামকসু য়াওজরি। শিদ্রিঙৈ মতমদু ফাওবদি হিংলমখিনি। অদগী মতমদু য়ৌরকপদা থোক শিদোকখ্রনি। নুমিৎতুদা ইমুংগী নুপী-অঙাং খরা কপকদ্রা, মঙফমদা ঝাল খিংলগা মাঙ্গং মৈতৈ পুংখোল তোৎশিন্নরবা মন শিখাগী ঈশৈরা করিনো খরগা। অষ্টি, শোরাৎ ফাওবদি খরা নীংশিংবীরমদ্রা, কপ্পীংনা কপ্তোইরা কপনীংদনা কপ্তোইরা? অদুগীদি শোরাৎ লোইরগা ঙা তংবা চাক্লেন নোক খেদুনা চাখ্রনি। থাগী দিন, ফিরোই ফাওবদি শোনবীগদ্রা মদগীদি চহী খরগা নীংশিংবিরম্মসু মতুংদগীদি পুমকাউ কাউনখ্রনি। হকচাংনা লৈশাদা তিনখ্রবা মতুং মিং ফাওবা মুৎখ্রনি। মসিনি হৌজিক য়াম্না কন্না ৱিং লাউনা চৎনরিবসি।

অদুনা ওইরম্বসু য়াই হিংলিঙৈদা নুংঙাইহৌরো, চান্নীংবা চাহৌরো, তৌনীংবা তৌহৌরো, হয়েং শিখ্রগা করিমত্তা কান্নবা নত্তে হায়নরক্লিবা অসি। য়াম্না শাথীনা নুংশিনবা, হিংনবগী মশাগী শেন্থোক লম্বীদি লৈজদ্রিবা পাখং লৈশা অনী মতম অমদা লান তৌরক্কদৌরে, বোম য়াম্না থাধরক্তনা তুম্না শিখ্রগদবনি নহোয় অনী চেলহৌরো হায়দনা চেলহল্লেয়ে। অদুগা লুহোংহল্লে, ময়ূম পালহল্লে। লানদি শুকতৌ তৌরকখিদবগী ৱারীনি। জাৎ জাৎনি তৌনরিবসি, শিরগা লোইরবা পুন্সিনি, হিংলিঙৈসিদা থিবা য়াবা,



কোয়বা য়াবা নুপী কোয়হৌরগে হায়দনা নুপী অঙাংদা ঙাওবা মীসু অদুমক লৈবজাৎনি।

মণিপুরগী লেপ্তুবা ঈরাং য়াম্না লৈখিদবা নত্তে হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৯দা! নেসনল হায়ৱেদা য়ু এন সীগী বন্দ, ব্লোকেদতি তৌখিদে হায়বখক্তনি। তম্পাক্লম অসিদদি ঈরাং ফজনা লৈখি। মহৈরোয় নুপীমচা অমা শিখিবগী, কেবকী করি কৱা ইস্যু ময়াম অমগী। কেবতগী কা চৎনখ্রে মদু য়ারোই হায়বগী বন্দ অমুক তৌ-খৎলকখি। আই এল পি এক্ট পীরকপদগী অমুক নমথখ্রে। চহী খুদিংগী ইস্যু তোঙান তোঙানবা ময়াম্না চৈথেং নংলবা মীয়ামশিংগী মরক্তগী হৌজিক পিক্লিক কন্না চৎনরকপা মতমনি। য়াইনা ঙাইহাকসু নুংঙাইথোকপা য়াইনা। পাৎ, তুরেল, চীংয়া-তময়া, লৌবুক-লম্মাংদা হকচাং ৱাখল-পূক্লিং নৌথোকহনসি।

মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎসিদা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা শিনফম পায়নবা মরুপশিং পুন্সি তঞ্জায় চল্লবসু অমুক্তংদি কোয়থোক্লুসি হায়নদুনা লৈম্রামদা থোক পাইশিল্লুরে নহান তারিখ ১২দা! নম্বোল বজারদগী খরদং হাইথরগা মনীং পাংনা শুম থৌজিল্লগা হান্নবা বুক তৌখ্রবা মীথুংফম লৈকোল-ওই হৈকোল-ওই শেম্বা মফম অমদা থুংলুই। থোংলে চারে, থক্লে, পুন্সিগী অৱা-নুংঙাইগী ৱারী লিনরবতুং ঈশিং চাইবীদু অমুক্তংদি য়ৌরমসি হায়দুনা কাখৎলুই। গেট অহুম পাল্লম্মী এন্ট্রি ফী লৌনবা। গাড়ী পার্কিংদা পার্ক তৌবদা ওন্থোক্লা য়াল্লবা লমকোয় পিক্লিক পার্টিশিং থেংনখি। য়েৎ-ওই, মাঙ-তুংদা য়েংলুবদা চিংচেপ্তা হৌরিবা মিৎ ঈংহনবা অশংবা পাম্বীশিং, এয়র পোল্যুসন্না হাইজিনবা ঙমদ্রবা নুংশিৎকী মনম, চিক-চিক লাউনা তঙ্গীং-তঙ্গীংবা, নূংজাউ মরক্তগী লিৎ-লিৎতুনা চেন্থরকপা ঈশিংগী থেক্লোয়-নাকোয় চেল্লিবা, চোংলিবা মখোল, ঈং-তপ্লবা শান্তি লৈবা স্বগগী মচেৎ অমদা থুংলুবগুম খনখি। মণিপুরদসু টুরিষ্ট স্পোট মশীং থিঙমদনা লৈরি হায়বসি সাদু চিরু ৱাটরফোলনা তাক্লি। নোটিশ বোর্দতা থেৎলি-সাধু চিরু - এন ওপন দিফিকেসন ফ্রী ভিলেজ, ৱি আর কম্মিটেদ টু কিপ্পিং দি ভিলেজ ক্লিন, মদুদা ঙম্বা ওইসনু। লমকোয়বা লাকপা কাঙবুনসু লূ-নান্না থম্বদা মতেং পাংবিয়ু! নুংঙাইতবা অমনা মতেক খরা কোয়লা থারল্লগা হাইগৎলকপদা জিক-জাক লম্বীনা গাড়ী থৌবদা নুংঙাইহন্দবগী মথক্তা লম্বীসু ওন্থোক্লা পিকমনখ্রে। খরা পাকথোকহনবা, লম্বী নালহনবা তঙাইফদে। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। মণিপুরদা লূপ ময়াম্না হরাউ কুম্মৈ থিংলকপা, থাবল চোংবা থিংলকপা, ঈশৈ-লীলা তৌবা থিংলকপা মতম মতমগী মতুংইন্না তৌদুনতা লাক্লবনি। লূপশিংনা থিংদ্রিবা হায়ববু পিক্লিক চৎপসি মঙায়রে। অকন-অথৌশিংনা পিক্লিকসু থিংলক্কদ্রা মীপাইরকই। ●

# মীনাৎ লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মৈতিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা খৃ: ১৬৫২দা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা মচা ইবুংঙো য়াইমবা খুঞ্জাওবনা মশাগী চহী ৩০ শুরকপা খৃ: ১৬৫২গী থৱান থাদা নিংথৌ ওইখি। নিংথৌ ওইবগা মৈতিংঙু খুঞ্জাওবনা লৈমরেন তখেম্বীগা কংলৈ ফম্বাল তোংলম্মী। খৃ: ১৬৫৩গী শজিফু থাদা ইবেম্মা য়াওশেম্বীবু লুহোংদুনা লৌরম্মী। লৈমরেন তখেম্বী অমসুং ইবেম্মা য়াওশেম্বী অনীমক মচা পোক্লমদে। মৈতিংঙু খুঞ্জাওবা কৌদ্রিঙৈদা 'থাঙতা খোইনাই শেলহোংবা' কৌরম্মী। মপা ইবুংঙো মৈতিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা লাৎলম্বা ইমোইনু অহোংবী লাইরেম্বীবু মৈতিংঙু খুঞ্জাওবনা সনা য়াথং অহকপা পাউজেন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা ইমোইনু লাইরেম্বী ইরাৎচবদগী কংলৈপাক চাকহোং-ঙাহোংদুনা, শেনহোং থুমহোংদুনা লৈবাক নুংঙাই য়াইফবা পোইরৈ খুঞ্জাও লৈচাওবা ওইরম্মী। অদুদগী 'থাঙতা খোইনাই শেনহোংবা' কৌরম্বদগী পোইরৈ 'খুঞ্জাওবা' হায়না কৌখি।

মৈতিংঙু খুঞ্জাওবগী সনা হাক্তক অসিদগীদি চৈথারোল কুম্বাবদা থবানগা নুমিৎকা পূন্না ইবা হৌরম্মী। চহী খুদিংগী শজিফু নোংমা পানবা নুমিৎতগী চহী হৌরগনি হায়না নোংমগী মমাঙদা চৈ পায়দুনা লাওবা 'চৈলাওবা' হায়রম্বদগী 'চৈরাওবা' হায়নরিবসিনা মৈতিংঙু নাওফংবনা খৃ: ৪৩৯দা হৌদোক্লম্মী। অদুগা মৈতিংঙু কিয়াম্বনা খৃ: ১৪৮৫ দনা হিয়াংলোই হায়দুনা মৈতিংঙুগা মপোক নুমিৎ তিন্নবা, থৱান্মীচাক তিন্নবা, পক্লবা নুপা অসিবু নহালমখৈ চৈ পায়দুনা হয়েংদগী শজিফু নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউরুরিবদু হিয়াংলোই হায়রিবা নুপা অসিবু চৈথাবা নুপা অহানবা ওইরগা চৎনখিবা চহীসিদগী চৈথারোল কুম্বাবা হায়না খঙনরকখি। মৈতিংঙু খুঞ্জাওবগী ইবেম্মা লৈমরেন তখেম্বী অমসুং ইবেম্মা অপাম্বী য়াওশেম্বী মচা অমৎতা পোক্তবনা মৈতিংঙু খুঞ্জাওবনা মনাও ইবুংঙো অতোনবা নোংপোক খোংফেন থৌবা তোনাবনা নাউশম চনু তাংজখোম্বী পান্নদুনা পোকপা মচানুপা য়াইমা, মচা ইবুংঙো পাইখোম্ববু মচা শক্তুনা য়োক্লম্মী। খৃ: ১৬৬৬কী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২৭নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মৈতিংঙু খুঞ্জাওবা নোঙ্গাখিবা মতমদা মশাগী চহী ৪৫শুখ্রে অদুগা চহী ১৫ নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মী।

মৈতিংঙু পাইখোম্বা মশাগী চহী ২২ চঙলকপা খৃ: ১৬৬৬কী ৱাকচীং থাগী ৫নি পানবা ইরাই নুমিৎতা নিংথৌ ওইখি। মৈতিংঙু পাইখোম্বনা নিংথৌ ওইরবসু সনা পূক্লিংদা নোংমতা লৈতাবা ঙমখিদে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মপুধৌ মৈতিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা মরামদা লান্তাদুনা চৌৱাই লৌবুক্তা লান কন্না শোক্লবদা মরামগী খুল্লাকপা চরাই কাপোং ফাদুনা পুরক্লগা হৈনৌপোক্তা হাৎলম্মী। মসিগা লোয়ননা ফিবোং চামলোন্না চহীগী লোইপোৎ কারম্মী। মসিগী মরোমদগী মরাম্না অহানবদা মৈতিংঙু খাগেম্বগী মথক্তা লমন খুম্নবা শিংনদুনা লৈরম্মী। মসিগী মখা তারকপা মরোমদা মরৌ তৌরগা হান্না লোইপোৎ কারম্বদু মতম কুইনা লেপখিরম্মী।

মৈতিংঙু খুঞ্জাওবনা মরাম্না মতম কুইনদগী চহীগী লোইপোৎ কারম্বদু পীরক্তবদগী মনাও ইবুংঙো নোংপোক খোংফেন থৌবা তোনাববু লোইপোৎ থৌবা থাবদা মপাবুংগা লোয়ননা মচা ইবুংঙো সনা হিহোনবা য়াইস্কুল্লাকপা অমসুং মচা ইবুংঙো চাফাবা (চামা ফাবা) বসু লোয়নরম্মী। লোইপোৎ লৌবা লাকপগী পাউ ফংবদগী মরাম্না হান্না শেম শাদুনা লৈরগা, ইচম চম্না লোইপোৎ থৌবা লাকপনিনা লানগীদমক শেম শাদুনা চৎতবদগী, খঙহৌদনা লান্তাশিল্লকপা অদুদা মনাও ইবুংঙো নোংপোক খোংফেন থৌবগী মচা ইবুংঙো অহল য়াইস্কুল লাকপা সনা হিহোনবা মচা ইবুংঙো চাফাবা (চামা ফাবা) য়াওনা মশক নাইবা লুচিংবা ৮ সি য়াওনা পূন্না মীওই ৬৫ শিখিরম্মী। মদুদা মরাম্না মচা ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপা সনা হিহোনবা, মচা ইবুংঙো চাফাবগীসু য়াওনা মৈতৈ অকন অথৌ খরগী লুরেন কক্তুনা পুখিরম্মী।

য়াইস্কুল লাকপা সনা হিহোনবা অমদি চাফাবা অনীসি মৈতিংঙু পাইখোম্বগী ময়াম্বুং অমসুং মনাও ইবুংঙোনি। মরাম থোল্লাংগী ইখঙ খঙহৌদবা লানফমদা মখোয় অনীবু য়াম্না মীহাৎ থীনা হাৎলগা মকোক কক্তুনা মরাম্না খুল্লাকপগী পুখা থানবা পুখিবগী থৌদোক কাউথোকপা ঙমখিদে। অদুনা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা মরাম খুল্লাকপগী ময়ূমদা চৎতুনা লমন খুম্নবা অমসুং নুরেল অনীদু লৌরুনবা ৱাখল খন্দুনতা লৈখি। শমজিন্না ইজরবদা, মথক্কীসিনা মরম ওইরগা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ময়াম্বুং শমৈরাং শামু হঞ্জবা, মনাও ইবুংঙো তাংখোম্বা লানচিং পুরেন অমদি মনাও ইবুংঙো মথং খনবা তোনশেনঙম্বগা পূন্না মতম খরা লৈবাক ঙাকহৌনবা শিন্নরম্লগা কনা খঙহন্দনা অহিংদা লোৎনা সনা কোনুং থাদোক্তুনা মরাম খুল্লাকপগী ময়ূম তান্না চৎলগা; চীংমীগী ফিজেৎ শেৎতুনা খুল্লাকপগী শিন্তাংবা শাদুনা চংলম্মী। পাঙথোক্লিংলিবা থবক্তু পাঙথোকপা ঙম্নবা শক্লোন কয়ামরুম লৌরম্মী। মরাম খুল্লাকপা মচানুপা পোক্তবনা মৈতিংঙু পাইখোম্বগী মশক উবদা অমদি মৱা মপাউ তাবদা নুংশিরদুনা মাগী ময়ূমদা লৈহল্লম্মী। মরাম খুল্লাকপগী মমোম মশক মতৌ চঙখোনবী ইঙালৈ কৌবীদুগা নুংশিনরক্তুনা অচেৎপা মরী লৈনবা হৌরম্মী। মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ইঙালৈবু কনাদসু তাকথোকলোই হায়না ৱাশকউ হায়বদা ইঙালৈনা ৱাশল্লবা মতুংদা মৈতিংঙু পামহৈবনা মশাগী অশেংবা মশক তাক্লম্মী।

মৈতৈ নিংথৌমচা অনীগী মকোকশিং নপা খুল্লাকপনা লূখা থানবা থমলি হায়বসি পাউ ফংবদগী লৌবা লাকপনি। নহাক্না মকোক অনীদু মশক খঙলবদি তাকউ মদু পুরগা নহাকসু সনা কোনুংদা চৎলসি, নহাকপু লৈমরেল হাপকনি হায়না মৈতিংঙু পাইখোম্বনা হায়বসিদা ইঙালৈনা য়াবদগী ময়াম্বুং অমসুং মনাও ইবুংঙো অনীগী লুরেন মশক তাকপদু পুরক্তুনা মরাম খুল্লাকপা খঙহন্দনা ইঙালৈগা লোয়ননা সনা কোনুংদা চেল্লক্লম্মী।

মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ইঙালৈদা ৱাশকখিবা মতুংইন্না লৈবাক্কী লৈমরেন হাপ্তুনা ফম্বাল তোংনবা থৌরাং তৌরকপা মতমদুদা য়াম্না ফিদমনীংঙাই ওইবা থৌদোক অমা থোকখিবদু হীরম অনীদা তুংদা নৈনরক্লবা থমজগে:

অহানবদা, মৈতিংঙু পাইখোম্বগী মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌ খরনা করিগী মাঙলমচৎকী চৎন-লোনচৎপু তুংওইনবনো? মদুগী তেকচাক মশানা ফংফম থোক্তব্রা?

অনীশুবদা, দেমোক্রেসি লৈঙাক্লিদি হায়রগা দিক্টেটরসিপ ওইনা লৈঙাকপা ওইবা য়াব্রা? লৈঙাক অমদি লৈবাক লৈরিবসি কনাগীনো, করি মরমগীনো? পাবিরিবশিংনা কুপ্না নৈনবিনবা হায়জবগা লোয়ননা 'মালেমগী ওইবা অনৌবা কুমজা ২০২০ হৌবসিদা মালেমগী মীপূম খুদিংদা নুংঙাইবা, পুন্সি নুংশাংববু ওইবিয়ু হায়না য়াইফ থৌজাল নীজরি'।

'মৈতিংঙু পাইখোম্বগী সনা হাক্তক্তা নিংথৌগা লৈবাক মীয়ামগা অনীগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবগী অচেৎপা মরী অমা লৈনবসিনি। লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদাদি নিংথৌগী নীংবদু লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বগা তুনা-তুনা চৎমিন্নবসিনি। নিংথৌনা লৈবাক্কী থৱায়নি, লৈবাক মীয়াম্না নিংথৌগী হকচাংনি; নিংথৌগা লৈবাক মীয়ামগা লিংজেল মান্নদ্রবদা পূক্লিং হকচাং তিন্নদবা মীগী মশক ওই। নিংথৌ অমা ওইবগী হৌনবী মনীংতম্বা অমদি লৈবাক ঙাকপগী অচৌবা থৌদাং পুদুনসু লৈবাক্না পামদবা থবক নিংথৌনা তৌবা ঙল্লমদে। নিংথৌনা য়াদবা মরমদসু লৈবাক মীয়াম্না তৌবা ঙল্লমদে। মতমদুগী লৈবাক্কী ওইবা চৎনবী অমদি লান্দা ফারকপী লানফানুপী, লোৎনা পুদুনা চেল্লকপা নুপীনা লৈবাক্কী লৈমরেন ওইদুনা ফম্বাল তোংবা য়াদবা অদুগা নিংথৌগী ইবেম্মা অমা ওইনা লৈবদি য়ারম্বসিনি।" (নিংথৌরোল ইনোৎ-নিংঙোম্বম চীংলেন)।

মথক্তা য়াওখিবা - নিংথৌগা লৈবাক মীয়ামগা অনীগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবগী অচেৎপা মরী অমদি লোৎনা পুদুনা চেল্লকপী নুপী ওইরুবনা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা ইঙালৈবু থম্মোয়নুংদা থম্মোয় শেংনা নুংহক্লা নুংশিদুনতা অমসুং পামদুনসু লৈবাক্লা য়াদবা মরমদগী ফম্বাল তোংমিন্নবা ঙমখিদবনি। লৈবাক্কী মাইচৌশিং অমদি অঙম অথৌশিংনা লোৎনা খুচিন থৌরাং তৌদুনা ইঙালৈবু সনা কোনুংদগী তান্থোকখ্রবা মতুংদা য়াম্না নীংবা কায়না নুংঙাইতনা লাঙ্গোল চীংদা থুপখিবদগী কোন্নদি লাঙ্গোলদা 'তরুং লাইরেম্বী' ওইনা খুভম য়াদুনা লাৎখিবসি হৌজিক হৌজিক ঙসি ফাওবদা অদুম কায়দনা চথরি।

খৃ: ১৬৬৮গী শজিফু থাগী ৫নি পানবদা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা হাওবম চনু পোংলেন খোম্বী লুহোংলগা লৈমরেন হাপ্তুনা ফম্বাল তোংলম্মী।

খৃ: ১৬৭১গী শজিফু থাদা কবোদগী শগোল লোৎ (রথ) অমা, মোগোল চেকশাবা মচিন মনাও অমসুং কোনোক তানয়ৈবা (পূং য়ৈবা) অমগনা আরবি শগোল অমা পুরগা মথং-মথং থোক্লকখি। চহীসিগী ৱাকচীং থাদা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা লৈমরেন পোংলেন খোম্বীগা নোংমাইচীংদা লাই খুরুম্বা চৎলম্মী। (লাইশক্তি পল্লমদে অদুবু নোংপোক নিংথৌ অমদি ইবেম্মা পান্থোইবী ওইরম্বা য়াই)।

খৃ: ১৬০৬তা মৈতিংঙু পাইখোম্বনা হুইদ্রোম অরোকপু লুচিংহন্দুনা শজিফু কালেন থা অনীসি নাগা তুরেল থিংদুনা তুরেল মরীল তৌহল্লম্মী। মৈতৈনা মী অমা শিবগী ফুম্বা মতমদা শিরিবা মীদুগী মশাদা মমল য়াল্লবা সনা লুপা অতৈ পোৎলম ময়াম হাপ্লগা পোৎলোইবগী চৎনবী লৈরম্মী। অদুম্নমক ওইদুনসু মৈতিংঙুগী সনা য়াথংদগী ইরোম ঙাংশিংবগা, লুক্রাম মোনশাম্বগা অনীবু লুচিংহন্দুনা লৈবাক্কী মং খুদিংবু তৌথোকহন্দুনা সনা, লুপা, কোরি অমসুং শেঞ্জেংগী পুখম অতৈ মমল য়াম্বা পোৎলমশিং লৌথোকহনবদু মৈতিংঙুদা কৎলম্মী। শেঞ্জেংগী পুখম অমসুং কোরিবুনা অমুক হন্না শুংদোক্লগা 'তোমান পূংজাউ' শারম্মী।

খৃ: ১৬৭৪দা মৈতিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা য়ূমলক্তগী মং খুনগী পনপান্দা হোংদোকহনখিবদা চিৎথহৌবশিংদু মৈতিংঙু পাইখোম্বনা সনা য়াথং পীদুনা য়ূমলক্তগী খুনগী মপান্দা হোংদোকহল্লম্মী। মসিদি অফবা থৌওংনি হায়বা য়াই। মপুধৌ মৈতিংঙু লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা উমং লাইদা নুপী থাজদুনা লুহোংবা হৌদোক্লম্বদু মশু ইবুংঙো মৈতিংঙু পাইখোম্বনসু শাইরোম মাইমুগী কুম শক ১৬০৩ খৃ: ১৬৮১গী শজিফু থাদা নাওরোইবম চাওবীবু লাই কাসা লাইনিংথৌদা থাজদুনা লুহোংলম্মী।

খৃ: ১৬৮৬কী মেরা থাদনা পান্থোইবী ইমাগী শঙ নম্বোনবা শাদুনা পান্থোইবী লেংশিল্লম্মী। মসিনসু তাকই মদুদি ইমা পান্থোইবীসি মেরা থাদা ইমাগী থৌরম পাঙথোকই হায়বসিনি।

হৌজিক্ত চেক্লোন লিংদুনা চেক পুথোকপসি মৈতিংঙু খাগেম্বনা খৃ: ১৬১৪দগী হৌদোকখিবসি মশু ইবুংঙো মৈতিংঙু পাইখোম্বনসু লৌরম, কৈশং, য়ূমশং, খুনচা অমসুং নাইচাগী নুপা ৫০/৫০না চেকফু ১/১ লিংহন্দুনা থা ৩ চেক শাহল্লগা কোনুংগী অকোয়ববু চেক্লা ফরাকোন কোইরম্মী।

পারি পুরি খুদুং ইন্না মৈতিংঙু পাইখোম্বনা মীরম লাইনীংগী মমি অমত্তা তমদনা কংলৈপাক্কী ৪৮শুবা নিংথৌ ওইনা খৃ: ১৬৬৬তগী ১৬৯৭ হায়বদি চহী ৩২ নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্লগা চাউরাক্লা মশাগী চহী ৫৪ শুবদা নোঙ্গাখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।